# বোক্সর দিঙ্কো কেন্সরনা শিহনখিবা নত্তে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

থৌশাবীদবদগী লমখাংদা পুন্সি লোমখিবনি। ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বগী মীংচৎ উরোং পুরকখিবা, ইরমদমগী অহানবা ওইনা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা ঙাঙোম দিঙ্কো কেন্সর লায়নাখক্তনা শিহনখিবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়া অমদি ইরমদমগী সোসল অমদি পোলিটিকল সিষ্টম, লৈঙাক্লা পুন্সিবু মমল লৈতনা লৌবীবা, থৌশাবীদবা অদুনা হাত্তোকপীবনি। মীয়াম্না মশক খঙবিরবা, অর্জুন অমদি পদ্মশ্রী এৱার্দনচিংবা ফংখ্রবা, এসিয়ন গেমসতা মণিপুরগী ওইনা অহানবা গোল্ড মেদল লৌরক্তুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়াগী ফিদম্নফম ওইরিবা, ঙসি মণিপুরদা অমদি ইন্দিয়াদা নহা ওইরিবা, মেরিট লৈরবা শান্নরোয় কয়া, মরু ওইনা বোক্সিংগী লম্দা থোরক্তুনা ওলিম্পিক্তা, ৱর্ল্ড অমদি এসিয়ন চেম্পিয়নশিপনচিংবা চাংদম্নবা কয়াদা মকোক মথং তাদুনা ইরমদম মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী মায় পুরকপা ঙল্লিবসি দিঙ্কোনা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌদুনা লম্বী অমা চাউনা হাংদোকপীরম্বা অদুনা মখোয়বু থৌনা হাপ্পীখিবনি, পূক্নিং থৌগৎপীখিবনি, লমজিংখিবনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

অসিগুম্বা মশক নাইরবা, মমল য়াম্লবা মীওই অমবু কনবিগে নীংলবদি মহাক্কী লায়েংমল লুপা লাখ ২০সু ওইসনু, ৫০সু ওইসনু ইরমদমগী এম এল এ অমনফাও ইরায় লায়না কনবা ঙমগনি। অদুবু করম্বা এম এল এ, মিনিষ্টর অমত্তনা চোংথোরকপগে লমজিং মৈরা ওইরিবা গোল্ড মেদালিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কো কনদবা য়াদে হায়দুনা। অদুগা হৌজিক লৈখিদ্রবা কান অসিদনা সোসল মীদিয়াদা, পাউচেদা অমদি টি ভিনচিংবদা পুমচাই হেক চাই মণিপুরগী, ইন্দিয়াগী অচৌবা মাঙজবনি, ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়দুনা। তশেংনা মহাক্কীদমক, খুন্নাই অসিগীদমক, ইন্দিয়াগীদমক খনবীরম্বা থোক্লবদি শান্নরোয়, বোক্সর দিঙ্কো ঙসিসু শোয়দনা হিংলমখিগনি। পাম্মুইদা অসুক ঙন্না চৎখিবা লমজিং লমতাক্লম্বা নহাক্লা।

বোক্সর দিঙ্কোনা লৈখিদবগী মরমসি লিভর কেন্সরনা নাবা লোমদখক য়েংবদি য়াম্না লানগনি। মহাক্লা মতৌ করম্না লিভর কেন্সরনা নারকখিবা, মতৌ করম্না নিংথি নুংঙাইনা ত্রিটমেন্ট চখ্নবা ঙমখিদবা, লায়েংবগী শেল খোমগৎনবা হোৎনবদা ইম্ফালদা লৈবা ময়ূম ফাওবা য়োন্থোকখিবা, মচাশিং লাইরিক তমহনবগী অৱাবা পূম্নমক অসিনা খ্বাইদগী অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি মহাক্কী পুন্সিনা লমখাংদা লোমখিবগী। পূম্নমক অসি কনানা ওইহনখিবনো হায়রগদি ইন্দিয়া অমদি ইরমদমগী পোলিটিকেল সিষ্টম, পোলিটিসিয়নশিংগী ৱাখল্লোন অমদি সোসল সিষ্টম, হায়বদি মীচম মীয়ামগী য়াইফ-নুংঙাই অমদি মশা মউ ফনা, নুংঙাইনা থম্নবা অদুগুম্বা চৎন-কাঙলোনশিং থম্বীদবা, শান্নরোয় অমগী পুন্সিবু মমল লৈনা খন্দবা, মখোয়বু ইকায় খুম্নবীদবা, শান্নরোয়শিংগী চাওখৎ থৌরাং লৌখৎপীদবা, য়ূমলৈ কৈরৈ অমদি শেল-থুমগী ফীভম্নচিংবা য়েংশিনবীদবা অসিনচিংবা অসিনি।

করিগুম্বা বোক্সর দিঙ্কোনা টাইৱান, সাউথ কোরিয়া, জপান, হোংকোং অমদি সিঙ্গাপোরনচিংবা নোংপোকলোমগী লৈবাকশিং অসিদা লৈরম্বা থোক্লবদি মহাক ঙসিসু শোয়দনা হিংলমখিগনি মহাক্কী লিভর কেন্সর অসিদগী ফরক্তুনা। করিগী, হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা মীচম মীয়ামগী খনবীদুনা লৈঙাক্লা অফবা সোসল ৱেলফ্যের সিষ্টম, মেদিক্যের সিষ্টম, নেসনেল হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দনচিংবা পীবীবা, থম্বীবনা দিঙ্কো ইরায় লায়না শেল-থুমগী অৱাবা অমত্তা থেংনদনা নিংথিনা লায়েংবা ঙম্লমগনি। মসিমক ঐহাক ইশামক্তা থোকখিবা থৌদোকনি।

কুমজা ২০১৮দা সাউথ কোরিয়াগী সিটি সিওলদা ঐহাক্লা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থৌ পুদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপকী খোঙচৎতা ইখঙ খঙহৌদনা ঐহাক্কী থৌদা অমদি য়ারিনচিংবদা য়াম্না নাবা ফাওরকখি। চেম্পিয়নশিপ লোইদুনা টাইৱান্দা হল্লক্তুনা থা অমা খরা হেন্না ক্লিনিক্তা লয়েংবদা ফরক্তবদগী অচৌবা হোস্পিটাল অমদা চৎতুনা য়েংবদা Lymphoma cancer না নারে হায়বা খঙলকখি। হেক খঙলকপগা অথুবা মতমদা Chemotherapy, Target therapy অমদি Radiation therapy গী লায়েংশিং চখ্নবা হৌখি। নিংথিনা মতম চানা লায়েংবীবনা কেমোথেরাপি তরুক্লক কাপকদবনি হায়বদো মরিরক কাপ্পগা অদুম ফদোকখ্রে ঐহাক্তি। চহী ৫৮ শুরক্লবা ফাওবা হকচাং ফনা, কন-কন লাউনা হিংলি ঙসিসু ঐহাক।

ঐহাক্কী লায়েং চখ্নবা মতমদা ঐহাক দিঙ্কো অমদি মহাক্কী লোয়নবীনা দেল্লীদা লায়েংনবা চথোক চৎশিন তৌবগী, লায়েংবগী দেল্লীদা লৈবগী অমদি মণিপুরদা লৈহৌরিবা মচা অনীগী মহৈ-মশীন তম্বগী শেল-থুমগী অৱাবা কয়া অসি ঐহাক্কী ইফমদা অমত্তা থেংনখিদে মরমদি টাইৱান লৈঙাক্লা খুদিংমক শেম শাদুনা থম্লকখিবনা। ঐহাক্লা ৱাজখিবা হায়ববু ঐহাক্লা করিগুম্বা Lymphoma cancer অসিনা শিখিবা থোক্লবদি ইচা মরি অমদি লুখ্রাবী ওইহৌরবী মমানা মদোম করম্না য়েংশিন্দুনা, শেন্নদুনা মী অমমম ওইনবা হোৎনবা ঙমগদৌরিবা হায়বসিনি। অদুবু দিঙ্কোগী মফমদদি শেল-থুমগী অৱাবা ৱাখল কয়া অদুগী মথক্তা পিক্লিবা মচা অনী অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী তুংদা ওইহৌগদবা ফীভমদু খল্লুবদা হেন্নদুম অৱাবা পোৎলুম অমমুক শোয়দনা পীরমগনি।

অদুবু ইন্দিয়া অমদি ইরমদম মণিপুরগী লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগী খন্দুনা অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি থম্বীদবনা মহাক্কী কেন্সরনা নাবগী শোন্থরকপা অদুদা অমুক্কা হেন্না শোন্থহল্লিবনি মহাক্কী ৱাখলগী পোৎলুমশিং অদুনা। ৱাখল নুংঙাইত্রবা মতমদা কনানা চানীং-থকনীংবা পোক্কদৌরিবনো। চাং নাইনা চাবা, থকপা তৌদ্রবদি করম্না ফরকপা ঙমগনি। অৱাবা ৱাখলনা চানীংদবা পোকহনবা অদুগী মথক্তা কেমোথেরাপি কাপ্পা মতুংসি চানীংবা, থকনীংবা অমত্তা ফাওদবনি। মসি ইশামক্তা থোকখিবনা খঙই। নাবা ফরকপা, ফরক্তবা, শিবা হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়গী ৱাখলগী ফীভমদসু য়াম্না লৈ। কনানা মতেং পাংবীদুনা বোক্সর দিঙ্কোনা ৱাখল ৱাদনা কেন্সরদগী ফরকপা ঙমগনি। দিঙ্কোগুম্বা মীশক অমা ফাওবা পুন্সি কঞ্জবা ঙমদ্রবদি, লায়র অনং, কনানসু মশক খঙবীদবা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদি কমদৌবা।

লোইশিল্লকপদা, ঐহাক্লা ঙসি ৱারেং অসি ইজদুনা মীয়ামগী মফমদা পাউদমজবা ঙমজরিবা অসি করিগুম্বা ঐহাক্লা ইরমদম মণিপুরদা লৈরম্বা থোক্লবা ঐহাক ইশামকসু দিঙ্কোগী মমাঙ থাদুনা চৎখিরমগনি লায়েংনবা শেল লৈতবনা। অসিগুম্বা সোসল ৱেলফ্যের স্কিম অসি লৈতে হায়দুনসু, দিঙ্কোনা নেসনল হেল্থ ইন্সুরেন্স কার্দ পায়দ্রবফাওবদা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা মশক তাক্লিবা, ইন্দিয়াবু এসিয়া পূম্বদা ঙান্থোইহল্লিবা, শান্নরোয় কয়াবু থৌনা হাপ্পীরিবা, লমজিং মৈরা ওইবিরিবা অসিগুম্বা মীশক অমবু কনবিগে হায়রবদি করিসু লৈবা থবক নত্তে ষ্টেট লৈঙাক্লবু ওইগেরা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লবু ওইগেরা। অসিগুম্বা মীওই অমবু কনবা ঙমহৌদবা হায়বসি ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। মসিনা তাকপদি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া অমদি ইরমদমগী লৈঙাক্লা (হান্না পানখিবা লৈঙাক্লসু), পোলিটিসিয়নশিংনা শান্নরোয়শিংতা নত্তে মীচম মীয়ামগী পুন্সিবুসু লূম্না, লুনা লৌদে, থৌশাবীদে হায়বদো। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু ওইসনু, ইরমদমগী লৈঙাক্লসু ওইসনু মখোয়না পাল্লিবদি মখোয় মখোয়গী পার্টিনা পৱার পায়রিঙৈদা মখোয়গী মায় ওইনবা, মীংচৎ পুরক্লগা মখোয়গী মায় ওইনবা, মীংথোল খরা, খুদোলপোৎ খরা পীরগা মতুং তারকপদদি অদুম পুমকাউ কাউখ্রে। মরম অসিননি শান্নরোয়শিং অসিনা ফংফম থোকপা শেনফম থারকপা ফাওবা পীবিদবগী থৌদোক ৱাথোক কয়া ময়াম্না তাবিখিবা। দিঙ্কোগী লায়েংবগী লুপা লাখ ১০ হেন্না চঙগদবা অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লুপা লিশীং ৫০ খক পীরকখি হায়না মহাক্কী লোয়নবীনা পাউচেদা পনবা থেংনখি দিঙ্কোনা নাবা হৌরকপদা। তুংদা অচংবা লায়েং শেল ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হন্দোকপীগনি হায়না তাখি অদুবু হন্দোকপীখিবরা নৎত্রগা হন্দোকখিদবরা মদুমদি খঙজদ্রে। মরম অসিনা, খ্বাইদগী অফবা মীচম-মীয়াম ঐখোয়গী লম্বীদি ইশা ইশানা চেকশিন্না লৈদুনা, শাজেল চাং নাইনা তৌদুনা, অফবা চিঞ্জাক চাদুনা, অফবা হৈনবী থমদুনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবা অসিনি। ●

# ক্যুবাগী লায়েং পথাপ

- ডা. এম নর -

ক্যুবাগী লায়েং পথাপ অসি মালেমগী লৈবাক কয়াগী চৎন-পথাপ্তগী থোইদোক হেন্দোকপা মায় পাক্লবা সিষ্টম অমা ওইনা লৌনৈ। মরম অদুমক্লা মখোয়গী সিষ্টম্বু খঙনীংবা অমসুং হেন্না মমুৎ তানা নৈননীংবা ফাওই। অহানবদা লৈবাকসিদা লৈরিবা মীওইশিং (ক্যুবান সিটিজনশিং) লোয়না লেম্না লায়েংবগী রাইটস লৈ, ক্যুবাগী কন্সটিট্যুসন্না পীরি, হার্ট ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা ফাওবা লেম্না তৌরিবনি। মহৈ-মশীন তম্বা - প্রাইমারি লেভেলদগী য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবা তম্বদা ক্যুবানশিংগীদমক্তদি ফ্রীনি। হায়রিবসিদা মেদিকেল, এদ্যুকেসন য়াওননি। ইমুং ১৫০ খুদিংগী ডাক্টর অমা লৈ, মহাক্কী ফম অসি ফেমিলি ডাক্টর হায়না কৌই। য়ূম ১৫০ লৈরিবা কোলোনি অদুগী মরক্তা ফেমিলি ডাক্টরসি লৈ, মহাক্কী লৈফম, থবক তৌফম ওফিস অমসুং লায়েংশঙ পূন্না মফমসিমক্তা লৈ। পোকপদগী শিবা ফাওবসি ফেমিলি ডাক্টরগা মীয়ামগা তৎন-থানদবা মরী লৈনৈ, পোকপা অমসুং শিবগী রেকোর্দ পূম্নমক ফেমিলি ডাক্টরগী ওফিসতা ফংগনি। অনাবা অমগী লায়েংবা হায়বসিমক ফেমিলি ডাক্টর অসিদগী হৌগনি, মহাক্কী পাউতাক মতুংইন্না কম্যুনিতিগী ওইনা লৈরিবা পোলিক্লিনিক্তা চৎকনি। ফেমিলি ডাক্টরনা রিফর তৌবা নত্তনা অনাবা অমত্তনা চৎনীংবা মফম অমদা নৎত্রগা স্পেসিয়েলিষ্ট ডাক্টর অমদা হেক্তা চৎপা য়াদে। মরমদি ক্যুবাদা লন্নাই লায়েংনবা ক্লিনিক নৎত্রগা হোস্পিটাল লৈতে। অদুনা ফেমিলি ডাক্টরদগী পোলিক্লিনিক, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ষ্টেটকী লেভেলদা লৈবা স্পেসিয়েলাইজ হোস্পিটাল অমসুং জাতিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরিবা হোস্পিটাল 'হর্মানোজ অলজাইমর হোস্পিটালদা লায়েংবগী খুদোংচাবা মীপূম খুদিংমক্লা লেম্না ফংই।

সিষ্টম অসিগী মখাদা অনাবা মীপূম খুদিংমক্কী কেস হিষ্ট্রি ফেমিলি ডাক্টরদগী অরোইবা ফাওবগী রেকোর্দ লেংদনা লৈবনা দাইগ্নোসিস লান্দনা অমদি অচুম্বা দরকার ওইবা হীদাক লাংথক খরখক্তংনা অনাবা ফখিবনা অয়াম্বনি। প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি লেভেল ফাওবগী অনাবশিংদি পোলিক্লিনিক অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী হোস্পিটালশিংদা লোইনা লায়েংবা ঙমই। খরা লুবা অমদি কমপ্লিকেটেদ ওইবা অনাবশিংনা অৱাংবা থাক্কী হোস্পিটালশিংদা রিফর তৌরগা মথং মথং লায়েংবসি মখা তানা চখ্নবনি। লায়েংবা ঙমজদ্রবা অনাবা হায়বা অমা ক্যুবাদা লৈতে মরমদি ক্যুবাগী সিটিজন পূম্নমক লেম্না লায়েংবগী রাইটস অসি কন্সটিট্যুসন্না ঙাক্তুনা লৈরবা অধিকার অমনি। 'ক্যুবান ডাক্টর দু নোট ৱার্ক ফোর দি সেলরিস বট দে ৱার্ক ফোর দি পিপল'। ক্যুবাগী ডাক্টরশিংনা তোলোপকীদমক খল্লগা থবক তৌদে, মীয়ামগী খল্লগা লায়েংজবনি।

ক্যুবাগী অঙাং শিবগী চাং য়াম্না নেম্মী, মদুদি অঙাং লিশীং অমা পোক্লকপদা অঙাং মরিরোমদগী হেন্না শিহন্দবা ঙল্লে। চাওখৎলবা, শক্তি লৈরবা আমেরিকাদা অঙাং লিশীং অমা পোকপদা অঙাং ৬তগী তাদনা শিরি। পুন্সিবগী চাং য়াম্না হেনগৎখ্রে, চহী ১০০ হেল্লবা মীওই মশীং লাকঙমদনা হেনগৎলে। মরম অদুনা ঙসিগী লৈঙাক্লা থৌনা ফনা য়াম্না শানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা টার্গেট তৌরিবসি মহৈ মশীন তম্বদা মীপূম তিংনা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা য়ৌহনবা অমদি পোকঙমদনা পোকপা মীওইবগী পুন্সিনিনা চহী ১০০দগী তাদনা পুন্সিহন্নবা হোৎনগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ডাক্টরগা অনাবগা লৈনবা মরী অঙকপা ফংনা ফজনা লৈনৈ। মালেমগী করিগুম্বা নেচরেল কলামিটি হায়বদি ঈশিং ঈচাও, নোংলৈ নুংশিৎ নৎত্রগা য়ুহার হাবগী থৌদোক্তা অশি অনা য়াওবা লৈবাক অমদা ক্যুবাগী ডাক্টরশিংনা হেক্তা চেনশিন্দুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী মতেং পাংনবা চৎলি। খুদম ওইনা হায়রবদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী সুনামি, পাকিস্তান্দা থোকখিবা য়ুহার হাবা, হায়টিগী আর্থক্বেক্নচিংবদা ক্যুবাগী ডাক্টরশিংগী টিম্না মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনখিবশিং পনবা য়াই। লোয়ননা হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয় পূম্নমক্লা থেংনমিন্নরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ হৌগৎলকপদা চাইনাগী ৱুহান্দা, ইটলিদা অমদি স্পেন্দা মতেং পাংনবা ক্যুবাগী মেদিকেল টিমশিং চঙশিনখিবা ঐখোয় লোয়না খঙমিন্নরিবদুনি।

ইকায়খুম্নজরবী ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী ভগর্ণর ওইরিবী মেদাম ডা. নাজমা হেপতুলানা মীদিয়াগী থোঙদা হেল্থ ক্যের সিষ্টমদি ক্যুবাগী মতৌ তমগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবদু অচুম্বমক্লি হায়জনীংই। মেদাম গভর্ণরনা পার্লিয়ামেন্টকী থৌগাই কয়া পুরিঙৈদা ক্যুবাদা কয়ারক হন্না চৎতুনা হীরম কয়াদা নৈনবগী তাঞ্জা ফংখি। লোয়ননা ক্যুবাগী লুচিংবা ফিদেল কাষ্ট্রোগা উনদুনা মালেমগী ওইবা হীরম কয়াদা হকথেংননা ৱারী শানখিবসু লৈখি।

কুমজা ২০০৪দগী হৌদোকখিবা ক্যুবাগী 'ওপরেসন মিরাকল' হায়বদি 'অঙকপা ওপরেসন' হায়বা প্রোজেক্ট অমা ফিদেল কাষ্ট্রোনা হৌদোকখি। মসিনা পীরিবা খুদোংচাবসি - মালেমগী মফম অমদগী মীৎ উজদ্রবা অনাবা অমনা ক্যুবা তান্না লায়েংবা লাক্লবদি লেম্না লায়েংগনি হায়বসিনি। হৌজিক ফাওবদা অনাবা লাখ ১৫গী মথক্তা (লৈবাক ৩৪দগী) লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। অসিগুম্বা মীনুংশিগা লোয়নরবা কৎথোকপতনা থল্লবা প্রোজেক্ট অসিগী মায় পাকপগী ৱারীশিং শেঞ্জাও পায়বগী লৈঙাক মপুশিং খাঙবা ঙমদে। মরম অদুনা ক্যুবাগী অসিগুম্বা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্লিবা নুংঙাইরবা পাউশিং তানীংদবনা অমেরিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশনা 'দেষ্ট্রোয় দি ক্যুবান সিষ্টম ওফ মেদিসিন' হায়খি। ক্যুবাগী মেদিকেল সিষ্টমসি মাঙহনখ্রো হায়না লাউখি। মতাং অসিদা ফিদেল কাষ্ট্রোনা খুমখি - মিষ্টর বুশ! নহাক্লা মীওইবগী ৱাখল হাৎপা ঙল্লোই, 'ক্যুবানা তৌবা ঙম্বদু নঙগী অমেরিকানা ঙমসু ঙমদনা' Mr. George W. Bush! you cannot kill ideas. What Cuba can do America cannot do".

মালেমগী লৈবাক কয়াদগী ক্যুবাদা মেদিসিন তম্বা লাকপা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অমেরিকাদগীসু য়াওই। পোলিটিক্সকী মান্নদবা ৱাখল্লোন কয়াদগী ক্যুবাগা অমেরিকাগা চঙনদবা, শম্বল খানবা চহী কয়াদগীনি। অদুগা অকনবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অমেরিকাগী লৈঙাক্লা থমজিনবীরিবা। ঐহাক্লা কুমজা ২০০৭তা ক্যুবাদা চৎপদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা ELAM - Latin American School of Medicine, Havana দা লৈবদু য়েংলুই। মদুদা অমেরিকাদগী লাক্তুনা মেদিসিন তমহৌরিবা মহৈরোয়শিং ঐগা উনজবা মীকুপ্তা ওন্থোক্লা নুংঙাইবা ফাওবগা লোয়ননা ৱাহং কয়া হংনীংবা হংখি মখোয়দা। করম তৌনা নখোয়না ক্যুবাদা লাক্লিবনো অদুগা করিগীদমক্তা ক্যুবাদা মেদিসিন তম্লিংলিবনো?

- মখোয়না খুমখি - অমেরিকাদা পাষ্টর্স ফোর পিছ হায়বা ওর্গনাইজেসন অমা লৈ। মদুনা রেকমেন্দ তৌরগা ঐখোয় খরনা মেক্সিকো ফাওরগা লাকপনি অদুগা খরা অমনা কেনাদা ফাওরগা লাকপনি। ক্যুবাদা লাকপগী মরমদি - মেদিসিন তম্বগীদমক্তদি ক্যুবানা খ্বাইদগী ফৈ হায়না লৌজে।

তশেংনমক অঙকপা কয়া লৈ ক্যুবাদা। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শরুগী অমসুং মরী লৈনবা অরুবা লায়নাশিং লায়েংনবা 'ফ্রেঙ্ক পাইজ ওর্থোপেদিক হোস্পিটাল' হভানাদা লৈবদুসু মপূং ফানা গাইদ অমগা লোয়ননা য়েংজরকপগী তাঞ্জা ফংজরকখ্রে। কুমজা ২০০৫দা ক্যুবা মালেমগী লুচিংবা লৈবাক ওইবা ঙমখ্রে, ডাক্টর অমসুং পোপ্যুলেসন রেসিওদা মদুদি ক্যুবাদা মী লিশীং ১০গী মনুংদা ডাক্টর ৬৭ লৈ, হায়রিবা মতমসিদা রুসিয়াদা ডাক্টর ৪৩ অদুগা অমেরিকাদনা ডাক্টর ২৪ তমক লৈ। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী হান্নগী দাইরেক্টর জেনরেল মার্গরেট চান্না হায়খি মদুদি মালেমগী লৈবাকশিং লায়েং পথাপ্তদি ক্যুবাগী মতৌ তম্মু। কুমজা ১৯৯৯দগী লৈত লায়র অমদি খরা শোথহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিং য়ু এস এ, বৃটেন, লেটিন অমেরিকা, কেরিবিয়ান, আফ্রিকান অমদি এসিয়ান লৈবাকশিংদগী মহৈরোয়শিং ক্যুবাদা মেদিসিন তমহনবগী প্রোগ্রাম হৌদোকখি। হৌজিক লৈবাক ২৩দগী মহৈরোয় ৩৪৩২ ক্যুবাগী কোনুং হভানাদা মেদিসিন তম্লি।

মতাং অসিদা ক্যুবাগী লুচিংবা লৈখিদ্রবা ফিদেল কাষ্ট্রোগী ফাওরবা ষ্টেটমেন্ট - "Politics divides people but humanism will unite" "পোলিটিক্সনা মীবু কায়নহল্লি তৌইগুম্বসুং মীনুংশিনা পুনশিন্নগনি।" ৱাখল্লোন অসিদা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা ক্যুবানা মশাগী ওইবা ইন্টরনেসনল দ্যুটি অমা পাঙথোক্লকপনি হায়না লৌজে। লোঙ লিভ রেভল্যুসন, লোঙ লিভ ক্যুবা। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ফুরন কাংকোক শানা হিংগদবগী শরুক

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মতম অমগী হিংনবগী লম্বীগা হৌজিক্কী হিংনবগী লম্বীগা ফনা নিংথিজনা খেন্নবগী মমি অমা তারিবনি। অথেংবা অহিংদা লৈকায় অমদগী লৈকায় অমদা চৎনবদা থেংবু থেংলবা হয়েং নোংঙাল্লগা চৎপনা ফরে খন্নবনা অয়াম্বনি। নুমিৎ য়ুংবদা লমহাং তুহাংদা শমদুনা চৎনরম্বা নত্তে। নুমিৎনা কোক মপাদা লৈরবা শোয়দনা লাই থোক্লক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈনরল্লিবনি। মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। লৈকায়দা, খুলদা লাই ওক্নদুনা মপুন্সি লোমখিবা মসিসু য়াওবদি য়াওরিবা পোৎনি। লমহাং তুহাং মশীং য়াম্লম্বনা তম্ন-লাই, তিনমু-লাইমু ফত্তবা, খোংবান লাল্লুম্বা মখল কয়াগী লাই কয়া লৈরমদে হায়বা য়াবা নত্তে। হৌজিক ফাওবা চীথ্-নান্থহৌবা খরদি অদুমক মরৈরিবনি। ঐখোয়না থাজনরিবা অমাইবা-অমাইবী মখোয়না করিগুম্বদা লাই খুরুম্বা-খোৎলম্বা তৌবদা অফবা লাই খুরুম্বগী থৌওং অসিমা ইয়াও য়াওদবগুম তৌবনি। য়ূমদা পুশিন্দুনা লাৎলিবা থাজনরিবা ধুপ থাওমৈ থাদুনা নুমিৎ খুদিংগী খুরুমজরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনীমক লাই ফত্তবদি ওইদবনি। মখোয়শিংসি ভাবফবগী ৱাখলদা তাইবঙ মীওইবগা নকশিন্না লৈবা লাইনি হায়বদা কায়দ্রবনি।

নাৎকী ওইনা থাজনবগী মতুংইন্না থাজবদগী নুমিৎ খুদিংগী থম্মোয় শেংনা থৌনিজরিবা ইমুংঙো-ইবেম্মা অনীনা অফবা থৌজাল শোয়দনা পীদনীংঙাই লৈতে। লাই নীংলিবনি হায়দুনা চিঞ্জাক্তা কাম্বসিসু অচুম্বদি ওইদবনি। শা-ঙা চাদনা লাইনীং পরৈ চেৎপসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈগদবা মান্দ্রবনি। অচুম্বা ফংনবগীদমক হিংলিবা ঐখোয়না করি তৌবা তাবগে? মসিদি মশা মশাদা লৈরে। মীনা, মরুপ মপাংনা তাকপীদুনা হায়বীদুনা ওইগদবা নত্তবনি। অচুম্ববু থাজবা মীওই অমগী মফমদা মাগী য়েক্লবা, মাবু নুংশিদবা লৈরমগনি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। ফজবা অহেনবা ইনাক খুনবা, মীচং শঙ্গন লৈবা কনাসু পাম্নদবা নত্তে। মী অমা ওইনা মীয়ামগী থবক কয়া অমা তৌরবসু মাবু নুংশিদবা, মাবু পেঞ্জদবদি অদুমক লৈরমদৌরিবনি। মীওই খুদিংমক ওইবদি নত্তবনি। লাইবু থাজদবা মীওই কয়া অমা লৈদুনসু ৱারক্লবা, শোল্লক্লবা মতমদা তাইবঙবু শেম্বীবা মপু মাবু নীংশিংবা হায়বসি থাজদেদা হায়রুবা য়াবা নত্তে। লাইনি হায়বা থাজনরিবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীদুবু থাজনা পূক্নিং লৈতানা তশেং তশেংলবা থম্মোয়না শোঞ্জবদা অৱা অনা পূম্নমক কোক্কদবনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি। থাজদদুনা নাৱাংদুনা থওই-ৱাওইদনা খন্দুনা থৌশাদ্রবা অৱাবগী লম্বী অমা লাক্কদৌরিবনি। মসিমক থাজদবা য়াবা নত্তে। থাবু থাজরবা উচি খোয়না মকোন্দা অফং-অফংবা তিল-কাং, মীরাং ফাদুনা পুরক্লগা মতোন্দুদা থম্লগা মমায় মেনশিন্দুনা... মতম খরগী মতুংদা মাগী মচা ওল্লক্তুনা ... মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। থাজবা হায়বসিনা ঙল্লিবসি ওন্থোক্লা ঙমখ্রবা পোৎনি। থাবু থাজদ্রবা পূম্নমক করিসু লৈতনা খন্দৌরিবনি। ইমাংদা লৈরিবা মুর্ত্তিদা থাজদুনা ধুপ-থাওমৈ থাদুনা থম্মোয় শেংনা অনীংবা অপাম্বা থুংজনবগীদমক থৌনিজবদু থাজদুনা থৌনিজবনি। থাবু থাজদ্রবা ধুপ থাওমৈ থাদুনা... মসিমক থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি।

মরু ওইনা তাইবঙ মীওইবা অমা ওইনা পোক্লগা য়েক্লবা লৈরক্লিবসি কদাইদগী করম তৌনা লৈরক্লিবা মসিমক তঙাইফদনা খঙদ্রগদি খুনুগী মখোঙদা শম্মা য়েৎপগুম থোক্কদৌরিবনি। লৌথোকপা হৈতবা খুনুনা হৈনদবদু অসুক মতিক নুংঙাইবদি ওইররোইদবনি। চৎথোক খোৎতোকপদা ইচিংদা চিংনদুনা লৈদৌরিবনি। মসিগী থৌদোকসি ইনাক কৈরাক খুন্দুনা শঙ্গ ময়াম অমা লৈদুনসু শৌবীং শৌবীং লাওনা হিংবদি শোয়দ্রবনি। মীওইবা ওইনা পোক্লবা চিন হায়বসিদগী থোকখিবা ৱাহৈ-ৱাতা চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈত্রবা মসিদগীসু ওইরক্লবগী মরম ওইদনীংঙাই লৈরোই। ৱাহৈ ৱাতাসিনা লুজদ্রবা নুংশিবা খরদি ৱাৎতুনা লৈদৌরিবনি। শানা শিবনা খোঙ্গুলদা, মীনা শিবনা চিন্দা - মসিমক হায়দুনা হৌজিক ফাওবা খন্দোকপা য়াদনা লৈরিবনি। চিন্দনা অমৃত্রগী ওইবা ৱাহৈ-ৱাতা ঙাঙ শক্লগা থম্মোয়দনা হুগী মশক ওইবা মসিসু অদুমক য়াওদবা নত্তে। মসিমা পংকুই কুইনা চৎকদবা নত্তবনি। হিংলিবনি হায়দুনা পংহিংদা হিংবসিদি কান্ননীংঙাইবু ওইদবনি। শ্বামি ভিভেকানন্দনা হায়রম্বা 'পাংদবনা পাপকী থবক তৌই, থৌনা ফনবা তৌদে, মী খুদিংমকপু নুংশিনবা হোৎনৌ' কয়াদা ফজখ্রবা ৱাহৈ-ৱাতানো?

লাইওইখ্রবা থৱায় ময়ামসিগী মনুংদা থৱায় খরদি ঙসি ফাওবা হকচাং মানা উৎ ওনখ্রবসু, লৈবাক্তা তিনখ্রবসু, হিংদা হিংলিবোই নীংদুনা ঙসি ফাওবা হকচাংগা থৱায়গা অনীমক পুন্দুনা হিংবা মীদগী হেন্দুনা ঙসি ফাওবা শোন্নরিবনি। পূম্নমক মানা হিংলিঙৈদা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গীদমক হোৎনজরম্বা তৌজরম্বা থবকশিংদুগী মহয়না ওইজবনি। নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ মুৎপা ঙমদনা ফোং ফোং শানা লৈদৌরিবা পংয়াম য়ামগদবা নত্তে। মখোয়শিংসি চেঙদা হায়রগা খের হৌনবা খনগৎলবা চেঙ মচংগুম্বনি। ইমুং মনুংগী ওইনা ফৈ ফত্তে খঙগে হায়রবদি ইমুংদুদা লৈরিবা মীওইশিংদুনা খৎনরকপা মতমদা শোয়দনা খঙলগদবনি। মসিমা লোৎশিন্দুনা খক থল্লরোইদবনি। খৎন-চৈনবা হায়বসিতবু অৱাই অখুমগী থবক্তদি মহা প্রলয়নি। অহল লমনগী মনাক ফমদুনা কান্ন-কান্নবা পাউতাক লৌবা মসিসু কনাগুম্বদি তৌরিবনি। ঙাইহাক্তং শংবদা মগুণ লৈবা লাইরিক লাইশু পাদুনা মতম লেনবা মসিসু হিংনবগীদমক্তদি তঙাইফদনা পুন্সিগী লম্বীদা অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। ৱাখল নুংঙাইত্রগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা তাইনগদবগী শরুক মমিং লৈরবা লাইরিক লাইশুদা মায় ওনশিনবা, মসিমা কনানসু ফত্তে খক হায়রক্লোইদবনি। ইনাক কৈরাক খুনবা মীওই নুংঙাইরমগনি হায়রুবা য়াবা নত্তে। মাগী মরন মথুম ময়ামদুগী মীকাবদা অহিং ফজনা তূম্বগী খুদোংচাবা ফংলম্লোইদৌরিবনি। করি করিগুম্বা মতমদা মতাং চাদনা তাওবা হুইনগা খোংলকপা থোক্লবা তূম্লম্বা ফমুংদগী হৌগৎতনীংঙাই লৈরোই। য়োৎকী পুরোল কয়ানা খাজিন্দুনা লৈখ্রবসু অহিংগী মতম য়ৌরক্লবা ৱাখল অমদি ঈরাং লাংবগুম তৌগদৌরিবনি। মতমসিগী চৎন-লিক্লমসিদদি বোম থনম্বা, বোম লংশিল্লম্বা, নোংমৈ কাপশিল্লম্বা... মসিনা মরম অমা ওইদনীংঙাই লৈরোই। নিঙাইবা লৈতনা খোমলেন তুংখুল তাল্লিবা মাগী য়েক্লবা কনাসু লৈত্রবা হিংবদা মকা লাম্লবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*